# টিক্রিটকী অকোয়বদা মিলিটেন্টশিংনা শাথিবা এটেকশিং চথখ্রে



বাঘদাদ, সেপ্টেম্বর ২৪ :

মিলিটেন্টশিংনা টিক্রিটকী অৱাংদা লৈবা পুলিস চেকপোইন্টদা এটেক তৌখিবা অমসুং মদুগী মতুংদা সিটিগী গেটতা বোম অমা পোকখায়হনখিবদা মীওই ১২ শিখ্রে হায়না ইরাকি পুলিস অমসুং মিলিটরি ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এটেক অদু কনানা পাঙথোক্লিবনো হায়বগী মতাংদা খুদক্কী ওইবা কনামত্তনা ক্লেইম তৌখিদে, মদু হৌখিবা চহীগী এপ্রিলদা বাঘদাদকী অৱাংদা মাইল ৯৫ লাপ্লা লৈবা সিটি অদু ইস্লামিক ষ্টেটকী মখুৎতগী অমুক হন্না লৌখিবা মতুংদা ইহান হান্না চথরকখিবা এটেকনি।

থাংজগী অয়ুক পুং ৫ রোম তাবদা চথখিবা এটেক অদুদা পুলিস ওফিসর মরি কাপ্তুনা হাৎখিবা মতুংদা মিলিটেন্ট অমা হাৎখি হায়না পুলিস অমসুং এরিয়া অদুগী সিক্যুরিটিগী থৌদা পায়রিবা সালাহউদ্দিন ওপরেসন্স কম্মান্দগী ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা মিলিটেন্ট অনীনা মখা তানা মখোয়গী থবক পাঙথোক্নবা হোৎনখি অমসুং মখোয়গী পিক-অপ ট্রক শিজিন্নদুনা সিটিগী চিদাইদা বোম পোকখায়হনখি। এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই নিপান শিখি অমসুং ২৩ শোকখি হায়না ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

এটেক অদুগী মতুংদা পুলিসনা টিক্রিটতা সিক্যুরিটি কনখৎখি। সিটি অসি আই এস আই এসতগী লৌশিনখিবা মতুংদা খ্বাইদগী হেন্না অথিংবা থন্বা সিক্যুরিটিগী চেকশিন-থৌরাং খরা লৌখৎখি।

মিলিটরিনা চয়োল অসিদা আই এস আই এসতগী টিক্রিটকী অৱাংদা মাইল ৬০ রোম লাপ্লা লৈবা সিরকাটদিষ্ট্রিক্ট নৌনা লৌশিনখি। মদু চহী অসিগী থেংথরকপদা নোদর্ন সিটি মোসুলদা খোঙথাং খরা লৌখৎনবা শেম-শাবা ওইননি।

# ৱাশিংটন মোল শুটিং : গনমেন অমা নুপী ৪ হাৎলবা তুংদা অহিংগী অমম্বদা মাংখ্রে




ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ২৪ :

ৱাশিংটন ষ্টেটতা লৈবা মোল অমগী মের্সিজ ষ্টোর কৌবা ষ্টোর অমদা রাইফল অমা পায়রগা চঙলকখিবা নুপা অমনা মীওই মরি কাপ্তুনা হাৎলবা মতুংদা অহিংগী অমম্বদা মাংখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোক্লি।

ইরাই নুমিৎকী অহিংদা বর্লিংটনগী কেসকেদ মোলদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা নুপা অমসু শোকখি হায়না ষ্টেট পেট্রোলগী স্পোক্সমেন সর্জন্ট মার্কফ্রান্সিনা হায়খি।

এটেক অদুদা শুটর অমখক চেন্নে হায়না ওথোরিটিশিংনা থাজরি অমসুং এটেক অদুগী মতুংদা ইন্টরষ্টেট ফাইভ পাংখিবা নুপা অমা থিরি হায়না ওথোরিটিশিংনা থাজে। ৱিটনেসশিংনা লোকেল মতমদা নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবদা নোংমৈ কাপ্পা হৌখিবা মতমদা লৈখিবা মথোং-মরম খঙদবা সিনশিং অমসুং চমন্নবা ফীভমদু ফোঙদোকখি।

ব্রান্দি মোনত্রিলনা সি এন এনদা ফোঙদোকখি, মহাক্না মোল অদুদা মুভি অমা য়েংলিঙৈদা এটেন্দেন্টশিংনা মখোয়দা খঙহৌদনা মফমদু থাদোক্তুনা চৎনবা হায়রকখি।

'ঐহাক করিমত্তা খঙখিদে। ঠিএটরগী এটেন্দেন্ট লাক্তুনা সিনেমা কাপ্পা লেপহনবগীদমক্তা এপোলোজাইজ তৌখি অমসুং থিএটরগী ষ্টাফ খুদিংমক খুদক্তা মফমদু থাদোক্নবা হায়খি। অহানবদা মহাক্না মদু ড্রিল অমনি হায়না খনখি।

'তৌইগুম্বসুং নখোয়না কলোরেদোগী ঔরোরাদা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা খুদক্তা খনবা তারবদি তঙাই ফদনা ঐখোয়না থুনা থবক তৌরক্কনি হায়না মহাক্না কুমজা ২০১২ গী মুভি থিএটর অমদা থোকখিবা মীওই ১২ শিখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমা পল্লদুনা হায়খি। মখোয়না মপান্দা থোকপা মতমদা পুলিস গাড়ী কয়ামুক উখি, তৌইগুম্বসুং ওফিসর অমত্তা উখিদে হায়না মোনত্রিলনা হায়খি। ঐখোয়না মদু মৈ চাকপরা হায়বা খঙখিদে। মরম অদুনা মৈখু খরা কোইয়েং য়েংখি। মদুগী তুংদা ওফিসর খরনা মীয়াম মরক্তা কনাগুম্বশিংনা করি করি উহৌবগে হায়না কোইলাউ লাউদুনা হংখি। 'অচৌবা নোংমৈ পায়বা ওফিসর অমনা মীয়ামদা মফমদু য়াম্না থুনা থাদোক্নবা লাউখি হায়না মহাক্না হায়খি।

অর্মাদো পাটিনোনা হায়খি, চৱাংনবদু তাবা মতমদা মহাক মের্সিজগী মনাক্তা ঈ-মোবাইল ষ্টোর অমদা থবক তৌদুনা লৈখি। খঙহৌদনা কনাগুম্বা অমনা লাউবগী মখোল তাখি। মদুগী তুংদা ঐহাক্না মের্সিজগীদা লৈথোক্তুনা য়েংলুবা মতমদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোলশিং তাখি' হায়না পাটিনোনা সি এন এনগী এফিলিয়েট কোমোদা হায়খি। নোংমৈগী মখোল অমদা মীশিংনা 'নোংমৈ' হায়না লাউদুনা চেন্নখি। মীওই খরদি ষ্টোরদুদগী চেন্থোক্নরকখি অমসুং মখোয় কদায়দা চৎকদৌরিবনো হায়বা খঙখিদে।

ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা মনুংদা লৈনবা অমসুং মোলগী এরিয়াদুদা চঙদনবা চেকশিন-ৱা পীখি। ওফিসরশিংনা কে-৯ গী য়ুনিটশিং শিজিন্নদুনা অহিং চূপ্পা স্কৱার ফুট ৪৩৪,০০০ গী মোলদু সার্চ তৌখি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

# চাইনানা ড্রোনশিং পায়দুনা সাউথ চাইনা সিগী ফীভম শেন্নগদৌরি



বৈজিং, সেপ্টেম্বর ২৪ :

চাইনানা য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সিদা ড্রোনশিং পায়দুনা স্কৱার কিলোমিটর মিলিয়ন ৩.৫ পাক শল্লিবা ঈশিংগী মফম অদুবু কূপশেন শেন্নদুনা লৈবা ঙমই হায়রি।

মশানা শাজবা ড্রোনশিং অসিনা চাইনা অমসুং জপান অনীমক্না ক্লেম তৌরিবা ইষ্ট চাইনা সিগী দিয়াওয়ু ঈথৎশিংগী মথক্তা লেঙদনা লৈগনি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

সাউথ চাইনা সিদা লৈরিবা ঈথৎ অমসুং রীফ কয়া ঈশিং মথক্তা উরিবদুদগী হেন্না ঈশিং মনুংগী শরুকশিংনা হেন্না চাউই অমসুং সর্ভে অমসুং মেপ্পিং তৌবদা ৱানা থোকহল্লি হায়না চাইনা টোপ আর এস টেক্নোলোজি কো লিমিটেদকী জেনরেল লি য়িংচেংনা হায়খি।

মসিগী শিংনবা অসিগী পাউখুম ওইনা চাইনানা জেদ সি-৫ বি অমসুং জেদ সি-১০ অনমেন্দ এয়রক্রাফট সিষ্টেমস (য়ু এ এস) য়াওনা অসিগুম্বা অরুবা সর্ভেয়িং হেন্দল তৌনবা চাইনানা ড্রোনশিং দিজাইন তৌখ্রে। জেদ সি-৫ বিগী মেক্সিমম ফ্লাইট দিষ্টেন্স কিলোমিটর ১,৪০০ নি অমসুং মসি নোংথক্তা থংন-থংননা পুং ৩০ মফম অমদা লেঙদনা লৈবা ঙমই' হায়না লিনা মখা তাখি।

'মসিগী দিজাইন অসি ষ্টীলথ টেক্নোলোজিগা মরী লৈনৈ অমসুং ওপন সি রীফ সর্ভেয়িং অমসুং মেপ্পিংদা কান্নরকই' হায়না লিনা মখা তাখি। ড্রোনশিং অসিনা বৈদৌ নেভিগেসন সিষ্টেম (চাইনাগী গূগলগী লম্বা) শিজিন্নগদবনি।

হৌখিবা থাদা চাইনানা সাউথ চাইনা সিগী ৱাহৌদা ঈশিংগী য়ুল্লোন্নবশিংগা য়েৎনবা কয়া লৈরিঙৈদা লৈবাক অসিগী সেটলাইট অমা লোঞ্চ তৌখি।

হৌখিবা জুলাই থাদা ইন্টরনেসনেল কোর্ট অমনা সাউথ চাইনা সিদা চাইনানা তৌরিবা ক্লেমশিং রিজেক্ট তৌখি। মদু ফিলিপিন্সনা পুখৎলকখিবা কেস অমদা কোর্ট অদুনা পীখিবা রুলিংনি।

চহী খুদিংগী ট্রিলিয়ন দোল্লর মঙাগী লল্লোন-ঈতিক তৌনরিবা মালেমগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ঈশিং লম্বী অদুদা ফিলিপিন্স, ব্রুনৈ, মালেসিয়া, ভিয়েটনাম অমসুং টাইৱাননা ফাংজিন্ননা ক্লেম কয়া তৌরিবনি।

বৈজিংনা রুলিং অদু ইলিগল ওই হায়রদুনা রিজেক্ট তৌখি।

# ফিলিপিন্সতা মেগনিচ্যুদ ৬.৩ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে, মিন্দানাও ঈথৎ নিকখ্রে



দাভাও, সেপ্টেম্বর ২৪ :

থাংজ নুমিৎতা ফিলিপিন্সকী মিন্দানাও ঈথৎকী মনাক্তা মেগনিচ্যুদ ৬.৩ য়ৌবা অকনবা য়ুহা হাবা অমা থোকখ্রে। দাভাওদা লৈবা বিল্ডিংশিংদগী হোটেলগী গেষ্টশিং অমসুং কন্সটক্সন ৱার্করশিং তৌইগুম্বসুং খুদক্কী ওইনা অমাং-অতা থোকপগী পাউদি লৈখিদে।

য়ু এসকী জিওলোজিকেল সর্ভেনা হায়খি, হান্না মেগনিচ্যুদ ৬.৫ য়ৌই হায়না ফোংখিবা অয়ুক পুং ৬.৫৩ তাবগী য়ুহা হাবা অদুগী ইপিসেন্টরদু দাভাওদগী নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ১১৪ রোম লাপ্লা মিন্দানাওদা ওইখি। য়ুহা হাবদু ঈশিংগী খোংনুং মমায়দগী কিলোমিটর ৬৯ লুথনা থোকখি অমসুং সুনামি থোক্লকপা য়াবগী মওং লৈখিদে হায়না পেসিফিক সুনামি ৱার্নিং সেন্টরনা হায়খি। মেগনিচ্যুদ ৬.৩ গী য়ুহা হাবদু অমাং-অতা য়াম্না থোকহনবা ঙম্বা মতিক ময়াই কনবা য়ুহা হাবনি হায়না লৌনৈ তৌইগুম্বসুং য়ুহা হাবগী ইফেক্ট অদু মসিগী মফম অমসুং লুবগী চাংনা হন্থহল্লি হায়না ফিলিপিন্স সাইজমিক এজেন্সিগী মকোক রেনাটো সোলিদমনা হায়খি।

য়ুহা হাবদু ঈশিং খোংনুংদা খরা লুথনা থোকই অমসুং মদুগী নিকপগী চাংদু খ্বাইদগী ৱাংবদা ইন্টেন্সিটি ফাইভ ওইবা মরম্না থোইদোক্না অমাং-অতা থোক্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে হায়না সোলিদমনা রোইটর্জদা হায়খি।

দাউন্টাউন দাভাওগী হোটেল য়ুনোদা সিক্যুরিটি গার্দ ওইবা দাভে কাব্রেরানা য়ুহা হাবদু সিটিদুদা কন্না ফাওই হায়খি। গেষ্ট কয়া মখোয়গী কাশিং থাদোক্তুনা মখাদা চেন্থনখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। 'মদু চহী অসিদা ঐহাক্না থেংনখিবা খ্বাইদগী কনবা য়ুহা হাবনি।' মফমদুদা সিক্যুরিটি গার্দ ওইবা জুনরি কিরোৱানা হায়খি, মনাক্তা মথোল ২৩ গী অভিদা টৱার্স শারিবা কন্সট্রক্সন ৱার্কর ১০০০ রোমসু মফম হোংদোকখ্রে। 'য়ুহা হাবদু কনখি, ঐখোয়না পোৎ-চৈশিং তেক কায়রদ্রা হায়না ৱাখি।'

ফিলিপিন্স অসি জিওলোজিকেল এক্টিভিটি কনবা পেসিফিক রিং ওফ ফায়রদা লৈ অমসুং য়ুহা হাবা তোয়না থোকই।

# মাইগ্রেন্টশিংগী হি লাকখিবা মতুংদা অশিবা হকচাং ১৬২ ফংখ্রে



রোসেটা, ইজিপ্ট, সেপ্টেম্বর ২৪ :

য়ুরোপতা চৎনবা হোৎনখিবা মীওই চা কয়া পুখিবা হি অমা মেদিটরিনিয়নদা লাকশিনখিবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা ইরাই নুমিৎতা ইজিপ্টকী কোষ্ট মনাক্কী ঈশিংদগী মীওই ১৬২ গী হকচাংশিং লৌখৎখ্রে।

অতৈ মীওই দজন কয়া শিরমগনি হায়না মীপাইনরি হায়না বেহৈরাগী গভর্ণর মোহম্মদ সুলটান্না এসোসিয়েটেদ প্রেসতা খ্বাইদগী নৌবা মশিং পীরদুনা হায়খি, থিবা-হুম্বগী থবক হৌজিকসু চথুরি। মখোয় কয়া হি অদু লূপ্পা মতমদা ঈরোয়বা হৈতবা অঙাংশিং অমসুং নুপীশিং ওইরমগনি হায়না থাজনৈ। নাইল দেল্টা প্রোভিন্স বেহৈরাগী স্পোক্সমেন ৱাহদন এল-সায়াদনা সার্চ ওপরেসন অদু হৌজিক পাঙথোক্লি হায়খি।

ইরাইগী অয়ুক্তা ব্রাইল দেল্টাগী সিটি রোসেটাগী মনাক্তা এ পিগী রিপোর্টর অমনা কোষ্ট গার্দশিংনা নুংশিৎ হাঞ্জিনবা য়াবা হিশিংদা অশিবা হকচাং ২০ দগী ৩০ রোম অমসুং উগী হিশিংদা ঙামীশিং পুরকখি অমসুং এম্বুলেন্সশিংদা হাপচিনখি। সোসল নেটৱার্কিং সাইটশিংদা থাগৎপা পিকচরশিংনা অশিবা হকচাং দজন কয়া অমুবা প্লাষ্টিক বেগশিংদা হাপ্লগা পরেং লেংবা অমসুং অতৈনা উগী হিশিংগী মনাক্তা তাউবা উখি।

ভিদিও অমদা ঙামী অমনা মহাক্কী মোবাইল ফোনদা ঈশিংদা অশিবা ঙাক্তনা চাইরে হায়খি।

অশিবা হকচাংশিং থুংলখিবা ঈশিং মপানদা পুনখিবা মীওই কয়া হকচাং পুম্বগী মনমদগী ঙাকথোক্নবা সর্জিকেল মাস্কশিং উপ্লখি। মখোয় খরনা হকচাং পুমথদনবগীদমক্তা অশিবা হকচাংশিং উন ময়াম হাপচিনখি।

ওথোরিটিশিংনা ঈশিংদা লাকখিবা হিদা তোংখিবা মীওইশিংগী চপ চাবা মশিং পীননবা হোৎনখি। য়ু এন রিফ্যুজি এজেন্সি য়ু এন ঐচ সি আর হি অদুদা মীওই ৪৫০ রোম তোংখি হায়না চাউরাকপা মশিং পীখি, অমরোমদা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি মেনানা মমাঙদা অশিবা মীগী মশিং ৬০০ য়ৌবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

হি অদু ঈশিংদা লূপখিবা মতমদা নাইল দেলটাগী হিথাংফম সিটি রোসেটাদগী কিলোমিটর ১২ দমক লাপ্লা লৈখি। মদু ইজিপ্টকী ঈশিং খোংবান পরিংদা তোঙান তোঙানবা পোইন্টশিংদগী মাইগ্রেন্টশিং হোল্লকখিবা অপীকপা উগী হিনাউশিং থুংলবা ঙাইখিবনি। হি লাকপদুদা হিংহৌবশিংনা মী কা হেন্না চিন্না তোংশিনবদগী থৌদোক্তু থোকখিবনি হায়খি।

ইজিপসিয়ন ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, মীওই ১৬০ হেন্না কনখ্রে অমসুং অয়াম্বা মীশিং ইজিপসিয়নশিংনি, অতৈনা সুদানিজশিং অমসুং সোমালিয়নশিং অমসুং ইরিটরিয়নশিং য়াওনা অতৈ নেসনেলিটিশিংনি।

# য়ু এসনা ন্যুক্লিয়র লাল থোকহল্লকপা য়াই : নোর্থ কোরিয়া

সিওল, সেপ্টেম্বর ২৪ :

সাউথ কোরিয়াদা পাইরিবা বোম্মরশিংনা নোর্থকী বোর্দর ময়া নকশিল্লকপগীদমক্তা নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এসপু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং য়ু এনগী ৱারেপ কয়া লৈনা লৈনা ন্যুক্লিয়র কেপেবিলিটিজ হেনগৎহনগনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এন এসেমব্লিদা ৱা ঙাঙলদুনা রি য়োং হোনা হায়খি, কোরিয়ন পেনিন্সুলা অসি হৌজিক মালেমগী খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মফম অমা ওলহল্লে।

খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা মফম অসিনা ন্যুক্লিয়র লাল অমা ফাওবা হৌহল্লকপা য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং লৈবাক অসিগী নোর্থ কোরিয়াবু তাথিবগী পোলিসিদা মরাল থংজিনখি।

রিনা ক্লেম তৌখি মদুদি, চয়োল অসিগী অঙনবদা সাউথ কোরিয়াদা পাইখিবা অমেরিকান বি-১ বি বোম্মরশিংনা কোরিয়া অনী অমগা অমগা খাইদোক্নহল্লিবা দিমার্কেসন লাইন লানখি।

চৈরকসিদা, য়ু এস মিলিটরিনা হায়খ্রে মদুদি, সাউথ কোরিয়াদা পাইখিবা য়ামদ্রবদা সুপর সোনিক বোম্মর অনীগী মনুংদগী অমনা নোর্থ কোরিয়াগী বোর্দর ময়া নকশিনখি।

য়ু এস বোম্মরনা নোর্থ কোরিয়াগী বোর্দর ময়া নক্না পাইরিবদু চয়োল অনীগী মনুংদা অনীরকশুবনি অমসুং মদু নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী মঙাশুবা অমসুং খ্বাইদগী মতীক ময়াই কনবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখিবা চয়োল অনী লৈরগনি।

নোর্থনা মশিং অমদি ক্বালিটি অনীমক্কী ওইনা নেসনেল ন্যুক্লিয়র আর্মদ ফোর্সেসকী মপাঙ্গল কনখৎনবা খোঙথাংশিং মখা তানা লৌখৎকনি হায়না মহাক্না হায়খি।

য়ু এসনা ৱাখলনা শাগৎপদগী য়াম্না হেন্না মখা তারকপা অচৌবা ফলশিং মায়োক্নগনি হায়না রিনা মখা তাখি।

রিনা মহাক্কী লৈবাক্না ন্যুক্লিয়র আর্মদ ফোর্সেসকী ক্বালিটি অমসুং ক্বান্টিটি হেনগৎহনগদৌরিবদু লৈবাক্কী ঈকায় খুম্নবা কঞ্জনবা অমসুং য়ু এসনা ন্যুক্লিয়র লালগী থ্রেট হেনগৎহল্লিবদু য়েংলগা অশেংবা পিছক্কী ঙাক্লৌ ওইনবগীদমক্তনি হায়খি।

চৈরকসিদা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা হায়খ্রে মদুদি, নোর্থ কোরিয়াবু খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থবক কয়া পাঙথোকপগী ফলশিং ফংহন্নবগীদমক্তা মালেমগী লৈবাকশিংনা য়ু এনগী রিজোল্যুসনশিং চৎনহনগদবনি।




HL-B/3329/20/09-19/10

# EMPLOYMENT NEWS

## Naval Dockyard Mumbai Recruitment 2016 – 315 Apprenticeship Training Vacancies – Last Date 14 October

**Naval Dockyard Mumbai Recruitment 2016**

Naval Dockyard Mumbai invites application for the post of 315 Apprenticeship Training. Apply before 14 October 2016.

**Job Details :**

Post Name : Apprenticeship Training
No. of Vacancy : 315 Posts
Trade Wise Vacancies :

One Year Training :

Machinist : 15 Posts
Instrument Mechanic : 10 Posts
Fitter : 40 Posts
Mechanic Machine Tool Maintenance : 10 Posts
Refrigerator & Air Conditioning Mechanic : 10 Posts
Electroplater : 10 Posts
Welder (Gas & Elec) : 15 Posts
Painter : 10 Posts
Mason : 15 Posts
Tailor : 15 Posts
Pattern Maker : 10 Posts

Two Year Training :

Mechanic (Diesel) : 25 Posts
Foundry Man : 05 Posts
Mechanic Radio & Radar : 15 Posts
Power Electrician : 15 Posts
Shipwright Steel : 15 Posts
Plumber : 20 Posts
Pipe Fitter : 15 Posts
Rigger : 10 Posts
Sheet Metal Worker : 10 Posts
Crane Operator : 10 Posts
Shipwright Wood : 15 Posts

Eligibility Criteria for Naval Dockyard Mumbai Recruitment :

Educational Qualification : 10th Standard pass with 50% marks & ITI in releant Trade with aggregate of 65% marks from a recognized Board /Institution.

Nationality : Indian
Age Limit : Born between 01.03.1996 to 31.03.2003

Job Location : Mumbai (Maharashtra)
**Selection Process :** Selection will be made on Merit, Written Exam & Interview.

**How to Apply Naval Dockyard Mumbai Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with photocopy of relevant documents & five passport size photograph send to PO Box No. 10035 GPO, Mumbai -400001 on or before 14.10.2016.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 14.10.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_10702_459_1617b.pdf

## Delhi Metro Rail Corporation – DMRC Recruitment 2016 – 3431 Assistant Manager, Station Controller/ Train Operator, Customer Relations Assistant, Junior Engineer, Account Assistant & Maintainer – Last Date 15 October

**DMRC Recruitment 2016**

Delhi Metro Rail Corporation (DMRC) Limited invites Application for the post of 3431 Assistant Manager, Station Controller/ Train Operator, Customer Relations Assistant, Junior Engineer, Account Assistant & Maintainer. Apply Online before 15 October 2016.

Advt. No. : DMRC / OM / HR /I/ 2016
**Job Details :**
Assistant Manager/Electrical : 14 Posts
Assistant Manager/S&T : 07 Posts
Assistant Manager/Civil : 05 Posts
Assistant Manager/Operations : 05 Posts
Assistant Manager/HR : 03 Posts
Assistant Manager/Finance : 10 Posts
Station Controller/ Train Operator (SC/TO) : 662 Posts
Customer Relations Assistant : 1100 Posts
Junior Engineer/ Electrical : 48 Posts
Junior Engineer/ Electronics : 81 Posts
Junior Engineer/ Mechanical : 10 Posts
Junior Engineer/ Civil : 66 Posts
Account Assistant : 24 Posts
Maintainer : 1393 Posts

**Eligibility Criteria for DMRC Recrutiment :**
Educational Qualification :
For Station Controller/ Train Operator : Three years Engineering Diploma in Electrical/Electronic or equivalent or BSC Hons in (Physics/Chemistry/Maths) or BSc (Physics/Chemistry/Maths) from a Govt. recognized University/Institute.
For Customer Relations Assistant : Three/Four years Graduation course in any discipline from a Govt. Recognized University, and computer literacy (Certificate in Computer Application Course of a minimum 6 weeks duration).
For Junior Engineer : Three years Engineering Diploma in Electrical/Electronics/Electronics & Communication/Mechanical/Civil/equivalent trade from a Govt. recognized University/Institute
For Account Assistant : B.Com/equivalent from a Govt. Recognized University/Institute
For Maintainer : ITI (NCVT/SCVT) in specific trade.

Nationality : Indian
Age limit : 18 to 28 years as on 01.07.2016

Age Relaxations :
For SC/ST : 05 years
For OBC : 03 Posts
For PWD : 10 years
Job Location : Delhi

**Selection Process :** Selection will be made on Written Test, Group Discussion & Personal Interview.
**Application Fee :** UR & OBC (including Ex-servicemen) candidates have to pay Rs. 400/- and Rs. 150/- for SC/ST/PWD candidates through State Bank of India (SBI) Challan.

**How to Apply DMRC Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website www.delhimetrorail.com form 16.09.2016 to 15.10.2016.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 16.09.2016
Last Date for Submission of Online Application : 15.10.2016
Date of Application Fee at Bank : 17.09.2016 to 18.10.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.eapplicationonline.com/DMRCHRI2016/Document/Advertisement.pdf
Apply Online : http://www.eapplicationonline.com/DMRCHRI2016/HRPages/Index.aspx